# কুমজা ২০১৪গী ইনচিওন এসিয়ন গেমসকী মেন্স হোকি টিমদা মণিপুরগী কোথাজিৎ অমদি চীংলেনস্না য়াওখি






**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিম**

(হান্নগী মখা...)

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ অমদনা সাউথ কোরিয়াগা জপানগা থেংনখি। মদুদা সাউথ কোরিয়ানা জপানবু ২-০দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখি। ফাইনেলদা চাইনাগা সাউথ কোরিয়াগা শান্নখি। লোয়ননা সাউথ কোরিয়ানা ৩-১দা থোইরগা দোহা এসিয়ন গেমসকী মেন্স হোকিগী গোল্ড মেদল লৌখি। ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক পাকিস্টানগা জপানগা শান্নবদা পাকিস্টান্না ৪-২দা থোইরগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

কুমজা ২০০৬কী এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী মেন্স হোকি টিম মঙাশুবা থাক্তা লৈখি। চহীদুদা জপান, পাকিস্টান, চাইনা, সাউথ কোরিয়া, ইন্দিয়া টিমগী মথক্তা লৈবা ঙস্না টিমশিং ওইখি। ইন্দিয়ানা তত্তনা মায়থীবা পীরম্বা চাইনা, সাউথ কোরিয়া ... এসিয়াগী লৈবাকশিং দোহা এসিয়ন গেমসতদি ইন্দিয়াগী টিম্না লাকশিনবা ঙম্লকখিদে। চাইনানা ৩-২দা থোইজিনলকখিবা, সাউথ কোরিয়াগা শান্নবদা ১-১দা লৈরকপা অদুগুম্বা কয়াদুনা সেমি ফাইনেল লানশিনবা য়াখিদে। অসুম্না ইন্দিয়াগী মেন্স হোকি টিম মঙাশুবা থাক্তা হাইথরগা হল্লকখি। অদুবু গ্বাংজৌ এসিয়ন গেমসতদি ইন্দিয়াগী টিম ব্রোঞ্জ মেদল পুরগা লাকখি। কুমজা ২০১০গী ১৬রকশুবা এসিয়ন গেমসতদি পাকিস্টান্না গোল্ড, মলেসিয়ানা সিলভর, ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ ফংখি। গ্বাংজৌ এসিয়ন গেমস অদুদসু এসিয়াগী লৈবাক ১০না অথোই অহেন তানখি।

গ্বাংজৌ এসিয়ন গেমস ২০১০গী ইন্দিয়াগী মেন্স হোকি টিমদা য়াওখিবশিংদি ভারত ছেত্রি, ভারত চিকারা, দেনিশ মুজতাফা, অর্জুন হলাপ্পা, প্রভোধ টিরকি, ধনঞ্জয় মহাদিক সারধারা সিংহ, ধরমবির সিংহ, রবি পাল, সরবঞ্জিৎ সিংহ, সিবেন্দ্রা সিংহ, গুরবাজ সিংহ, টুশর খান্দকর, রাজপাল সিংহ অমসুং বিক্রম পিল্লেনি।

গ্বাংজৌ এসিয়ন গেমস ২০১০গী মেন্স হোকিদা শরুক য়াখিবশিংদি - বাংলাদেশ, চাইনা, হোং কোং, ইন্দিয়া, জপান, মলেসিয়া, ওমান, পাকিস্টান, শিঙ্গাপোর অমসুং সাউথ কোরিয়ানি। ইন্দিয়া টিম প্রিলিমিনরি রাউন্দদা খ্বাইদগী পোইন্ট ফংবা ঙস্না ওইখ্রবসু সেমী ফাইনেলগী মেচতদি মলেসিয়াগী মখূৎতা ৪-৩দা লৈহৌখি। মদুনা মরম ওইরগা চঙবা ঙমখিদে। অতোপ্পা নাকল অমদনা পাকিস্টান্না সাউথ কোরিয়াবু ৪-৩দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌখি। ফাইনেলদা পাকিস্টান্না মলেসিয়াবু ২-০দা মায়থীবা পীরগা গ্বাংজৌ এসিয়ন গেমসকী মেন্স হোকিগী গোল্ড লৌখি। ব্রোঞ্জ মেদলগী গেমদা ইন্দিয়াগা সাউথ কোরিয়াগা শান্নবদা ইন্দিয়ানা ১-০দা মায়থীবা পীরগা ব্রোঞ্জ ফংলকখি।

কুমজা ২০১৪দা সাউথ কোরিয়াগী ইনচিওন্দা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা ইনচিওন এসিয়ন গেমসকী ইন্দিয়ন মেন্স হোকি টিমদা মণিপুরদগী শান্নরোয় অনী য়াওবা ঙম্লকখি। চহী কয়া কান্নরবা মতুংদা কোথাজিৎ অমদি কাঙুজম চীংলেনস্না ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা য়াওদুনা শান্নরকখি। ইনচিওন এসিয়ন গেমসকী ইন্দিয়াগী মেন্স হোকি টিমদা য়াওখিবা শান্নরোয়শিংদি পি আর শ্রীজেস, গুরবজ সিংহ, বিরেন্দ্র লাক্রা, রুপিন্দর পাল সিংহ, ভি আর রগুনাথ, কোথাজিৎ সিংহ, সরদার সিংহ (কেপ্তেন), ধরমবির সিংহ, মানপ্রিট সিংহ, কাঙুজম চীংলেনস্না, দিনেস মুজতাবা, এস ভি সুনিল, নিক্কিন থিমাইয়া, অকাশদিব সিংহ, গুরৱিন্দর সিংহ চান্দি অমসুং রামন্দিপ সিংহনি।

ইনচিওন এসিয়ন গেমস ২০১৪দসু এসিয়াগী লৈবাক ১০না হোকি মশান্নদা কম্পিটিসন তৌনখি। হোকিদা কম্পিটিসন তৌনখিবা লৈবাকশিংদি বাংলাদেশ, চাইনা, ইন্দিয়া, জপান, মলেসিয়া, ওমান, পাকিস্টান, শিঙ্গাপোর, সাউথ কোরিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কানি। পুল এদা সাউথ কোরিয়া, মলেসিয়া, জপান, বাংলাদেশ, শিঙ্গাপোর অদুগা পুল বিদনা চাইনা, ইন্দিয়া, পাকিস্টান, শ্রী লঙ্কা, ওমান লৈখি।

পুল মেচশিংগী অহানবা শান্নখিবদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু ৮-০দা থোইখি। অনীশুবা মেচতা পাকিস্টানগা থেংনখিবদদি ইন্দিয়া টিম পাকিস্টানগী মখূৎতা ২-১দা পোখি। অহুমশুবা মেচতদি ইন্দিয়ানা চাইনাবু ২-০দা মায়থীবা পীখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ৩০দা শান্নখিবা সেমী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু ১-০দা থোইরগা ফাইনেল চঙলকখি। ইন্দিয়া টিম্মু ফাইনেল য়ৌহনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ইন্দিয়াগী অকাশদিপ সিংহনা মেচকী ৪৪শুবা মিনটতা চনখি। অসুম্না ইন্দিয়া টিম ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখি।

মায়কৈ অমরোমদনা পাকিস্টানগা মলেসিয়াগা ফাইনেল চঙননবা অকনবা লম্বা তৌনখি। হায়রিবা টিম অনীমক অমগা অমগা লাকশিন্নবা ঙম্নখিদে। মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা ০-০দা লৈনখি। মমৈদা পেনালটি শুট আউটনা অরোইবা দিসিজন ওইখি। মদুদা পাকিস্টান্না ৬-৫দা ঙমদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি। ইনচিওন এসিয়ন গেমসকী মেন্স হোকিগী গোল্ড মেদলগীদমক ইন্দিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নখি।

ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়া পাকিস্টান অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচ অদু হৌবগী মিনট অহুম চৎলকপদা পাকিস্টানগী মহমদ রিজৱাননা গোল অমা চনশিল্লক্তুনা ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু মেচকী মিনট ২৭ হায়রকপদা মণিপুরী মচা কোথাজিৎনা ইন্দিয়াগীসু গোল অমা চনবা ঙমদুনা গোলগী ফীভম ১-১দা থম্বা ঙমখি। অসুম্না ফাইনেল মেচ অদুগী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অমত্তা হাপচিন্নবা ঙম্নদবদগী পেনালটি শুট আউটনা অথোই অহেন লেপ্পা তারকখি। লোয়ননা পেনালটি কাওনবা অদুদা ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু ৪-২দা ঙমদুনা ইনচিওন এসিয়ন গেমসকী মেন্স হোকিদা ইন্দিয়ানা সনাগী মেদল পুরকপা ঙমখি। হায়রিবা চহীদুদা ইন্দিয়ানা গোল্ড, পাকিস্টান্না সিলভর, সাউথ কোরিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৯

১। চাইনানা হৌদোকখিবা মশান্না অমা জপান্না য়াম্না পাম্বা মশান্না অমা ওইখি। মশান্না অসি চাইনাদা কয়া থৌওইবিদে। কুমজা ১৯৬০দা জপানগী টিম অমা চাইনাদা লাক্তুনা মশান্না অসি ৩০রক শিংনখিবদা জপান্না ২৮ লক থোইখি। মশান্না অসিগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৭৯দা অহানবা ওইনা পাঙথোকখি। মশান্না অসিগী মমিং পীয়ু।

২। মহাক ওলেম্পিক্কী হিয়াং তান্নবদা সনাগী মেদল অনী ফংখি। অমেরিকাগী প্রসিদেন্টকী ভোট লেপ্পদা কাখিদে। মহাক মালেম শিনবা থুংনা ফাওবা দাক্তর অমনি। মহাক কনানো?

৩। কুমজা ১৯৪৭তা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসন শেমখি। চহী অদুমক্তদা ষ্টেটকী থাক্তা শান্নবগী লূপ অমসু শেমখি। শান্নবগী লূপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪। ওলেম্পিক্কী নূং লংবদা শরুক য়াখিবা নিপা অমনা মহাক্কী নূং অদু লংবা মতমদা জজনা দিসক্কালিফাই অনীরক পীখি। মরমদি মহাক্না নূং লংবা মতমদা মখজাই শোক্না নূং অদু থমগদবনি নৎত্রগা খজাই ময়াদা য়াম্না নক্না লেংজুমদা থম্লগা লংগদবনি। মহাকপু দিসক্কালিফাই ওইহনখিবদি মহাক্না চৎন-কাঙলোন অদু ঙাকখিদবননি। নূং অদু অনীরক হুনবদা দিসক্কালিফাই ওইখিবদগী মহাক শাউদুনা অহুমশুবা নূং অদু লংখিদে, মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মণিপুরনা সিক্কিমবু অনীশুবা রাউন্দদা ৱিকেট ১০দা য়াম্না হেন্দুনা থোইবা ঙমখ্রে

ভাদোদরা, সেপ্তেম্বর ২০(এজেন্সী)ঃ গুজরাটকী সিটি ভাদোদরা মমাংদা বরোদা হায়না খঙনরম্বা মফম অসিদা লৈবা মোটি বাগ ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা বিজয় হজারে ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী প্লেট গ্রুপকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মণিপুরনা সিক্কিমবু য়াম্না হেন্দুনা ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস সিক্কিমনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌখি। মণিপুরগী মায়কৈন্দগী বোলরশিং অদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা বোলিং তৌদুনা সিক্কিমগী বেটচমেনশিং অদুবু ৩৮শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা রন ৮৪ খক লৌহল্লগা বেটচমেন ১০ আউত তাহনখি। সিক্কিমগী মায়কৈদগী ৫শুবা বেটচমেন লি য়ং লেপচানা আউট ওইদনা বোল ৬১দা ফোর অনী য়ৈরগা রন ২৯ লৌখিবা অদুনা ইন্নিংস অদুগী খ্বায়দগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি। টিম অদুগী অতোপ্পা বেটচমেনশিংদি রন ২০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। ওপনর এন লামিচান অমসুং অহুমশুবা বেটচমেন এ থাপানা মথংশিংনা রন ১৪ অমসুং ১৯ লৌখিবা অদু পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী বোলর বিশোরজিৎ কোন্থৌজমনা সিক্কিমগী বেটচমেন ৩ আউট তাহনখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাঙখিবা অতোপ্পা বোলরশিং অদুদি ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখিবা রাজকুমার অমসুং থৌদাম অক্স্যকুমারনি। অতোপ্পা বোলর অহুম অমসু ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

মেচ অদু মায়পাক্লনবা মণিপুরনা অপীবা ওভর ৫০দা রন ৮৫ লৌবগী টার্গেট লৈখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী পুখ্রম্বম প্রফুলোমণি অমসুং এল এ রাৱটনা ইন্নিংস হৌদোরকখি। মখোয় অনীনা য়াম্না ফজবা মওংদা সিক্কিমগী বোলরশিং অদুবু মায়োক্লদুনা শান্নবা ঙমখি। মখোয় অনীনা আউট ওইদনা মায়পাকপগী টার্গেট রন ৮৫ অদু শুপ্পগী ওভর ২০শুরকপগী অনীশুবা বোলদা লৌবা ঙমদুনা মেচ অদু মণিপুরনা ৱিকেট ১০দা থোইখি।

বেটচমেন এল এ রাৱট বোল ৬০দা ফোর ৪ য়ৈরগা আউট ওইদনা রন ৪৪ লৌখি। অমরোমদা পুখ্রম্বম প্রফুলোমণিনা বোল ৫৭তা আউট ওইদনা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৩০ লৌবা ঙমখি। ঙসি শান্নখিবা প্লেট গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা মেঘালায়ানা মিজোরাম্বু ৱিকেট ৮দা অদুগা বিহারনা উত্তারাখন্দবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখি। মণিপুরগী টিম্না অহুমশুবা মেচ অদু থা অসিগী ২৩দা অরুনাচল প্রদেশকা লম্বা তৌনরগনি। হৌজিক ফাওবদা বিহারনা মেচ অনী শান্নখিবদা অনীমক মায়পাক্লুনা পোইন্ট ৮ ফংদুনা মকোক্তা লৈরি। মণিপুর পোইন্ট ৪ ফংলগা ৫শুবা পোজিসন্দা লৈরি। গ্রুপ অসিগী মকোক ওইবা টিম অদুনা বিজয় হজারে ট্রোফি ক্রিকেটকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি।

## নুপীগীদা লিবরেল কোলেজনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সপু মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএন এস)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা থম্বাল মরিক কোলেজ (টি এম) সীনা শীন্দুনা থম্বাল মরিক কোলেজকী বোল্লিবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা নুপা অমসুং নুপীগী এম য়ু ইন্টর কোলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী কেটেগোরিদা লিবরেল কোলেজনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সপু মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইখ্রে।

নুপাগী ওইনা টিম ৯ অমসুং নুপীগী ওইনা টিম ৬না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিষ্টতা পাঙথোকপা এম য়ু ইন্টর কোলেজ বোল্লিবোল মেন এন্দ ৱিমেন টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী নুপীগী কেটেগোরিগী অহানবা গ্রাউন্দদ মোর্দন কোলেজ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি শান্নখি।

মেচ অদু মোর্দন কোলেজনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু ৩-০ (২৫-০, ২৫-০, ২৫-০) দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স অমসুং থম্বাল মরিক কোলেজ শান্নখিবা মেচ অদু দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সনা থম্বাল মরিক কোলেজপু ৩-০ (২৫-১৫, ২৫-১০, ২৫-১৫) দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

কেটেগোরি অসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দগী মেচ ওইনা মোর্দন কোলেজ অমসুং লিবরেল কোলেজ শান্নখিবা মেচ অদু লিবরেল কোলেজনা মোর্দন কোলেজপু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

নুপীগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি লিবরেল কোলেজ অমসুং দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স শান্নখি। মেচ অদু লিবরেল কোলেজনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সবু ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা কেটেগোরি অসিগী মপূ ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কেটেগোরি ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা বিরমঙ্গল কোলেজ অমসুং দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স শান্নখি। মেচ অদু দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সনা বিরমঙ্গল কোলেজপু ৩-০ (২৫-১০, ২৫-১৭, ২৫-২২) দা, অনীশুবা গ্রাউন্দদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং ইম্ফাল কোলেজ শান্নখিবা মেচ অদু ইম্ফাল কোলেজনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু ৩-০ (২৫-০, ২৫-০, ২৫-০) দা, অহুমশুবা গ্রাউন্দদা মহারাজ বোধ চন্দ্র কোলেজ অমসুং মণিপুর কোলেজ শান্নখিবা মেচ অদু মহারাজ বোধ চন্দ্র কোলেজনা মণিপুর কোলেজপু ৩-১ (২৫-২০, ২৫-১৩, ২২-২৫, ২৫-২৩) দা অমসুং মরিশুবা গ্রাউন্দগী মেচ ওইনা মহারাজ বোধ চন্দ্র কোলেজ অমসুং মণিপুর কোলেজ শান্নখিবা মেচ অদু মহারাজ বোধ চন্দ্র কোলেজনা মণিপুর কোলেজপু ৩-১ (২৫-২০, ২৫-১৩, ২২-২৫, ২৫-২৩) দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল অমদি ফাইনেল মেচশিং হয়েং শান্নগনি হায়রি।

## ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীদুনা এসিয়া কপ ক্রিকেটকী সুপর ফোরগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে




দুবাই, সেপ্তেম্বর ২০(এজেন্সী)ঃ এসিয়ন ক্রিকেট কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাটেদ আরব ইমিরেটসনা য়ূম্লু ওইদুনা থা অসিগী ১৫দগী শান্নবা হৌরকখিবা এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী অরোইবা লীগ মেচতা ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীদুনা সুপর ফোরগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

ঙরাংগী মেচ অদুগী টোস পাকিস্টানননা ঙমদুনা বেট্টিং তৌখি। মখোয়গী ইন্নিংস হৌরকপদা য়াম্না ফিভম শোকখি। টিম অদুগী ওপনর অনী স্কোরবোর্দতা শুপ্নগী রন ৩খক লৈবা মতমদা আউট ওইখি। ইমাম উল হকপু ইন্দিয়াগী বোলর ভুবনেশ্বর কুমারনা মশাগী রন ২দা আউট তাহনখি। অতোপ্পা ওপনর ফকর জমানসু ভুবনেশ্বরনা রন অমত্তা লৌহন্দনা আউট তাহনবা ঙমখিবনি। বাবর আজম অমসুং সোইব মালিকনা পাকিস্টানগী ফিভম শোকচিল্লবা ইন্নিংস অদু শেমগত্তুনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৮২ হাপচিনবা ঙমদুনা অপূনবা স্কোর অদু ৮৫ য়ৌহনখি।

ওভর ২২শুরকপদা রন ৪৭ লৌদুনা লৈরিবা বাবর আজমবু ইন্দিয়াগী কুলদিপ যাদবনা আউট তাহনখিবদগী কেপ্তেন সরফরাজ অহমদ শান্নবা চঙলকখি। সরফরাজ রন ৬ খক লৌদুনা লৈরিঙৈদা কেদর যাদবনা আউট তাহনখিবদগী পাকিস্টানগী বেচমেন ৪ রন ৯৬তা আউট তাহনখিবনি। ইন্নিংসকী ওভর ২৭ শুরকপদা মশাগী রন ৪৩ শুরকপদা সোইব মালিক রন আউট ওইদুনা পাকিস্টানগী ফিভম অমুক শোকচিনবা হৌখি।

ফাহিম অশ্রফ অমসুং মোহম্মদ অমিরনা মথংশিংনা রন ২১ অমসুং ১৮ লৌখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেচমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা পাকিস্টানগী ইন্নিংস অদু ওভর ৪৪শুবগী অহানবা বোলদা আউট ওইদুনা অপুনবা স্কোর ১৬২দা লোয়শিনখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোলর ভুবনেশ্বর কুমার অমসুং কেদর যাদবনা পাকিস্টানগী বেচমেন ৩/৩ আউট তাহন্দুনা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি। জসপ্রিট বুমরা অমসুং কুলদিপ যাদব মথংশিংনা ৱিকেট ২ অমসুং ৱিকেট অমা লৌবা ঙমখি।

মায়পাক্লনবা রন ১৬৩ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ইন্দিয়াগী বেচমেন অনীখক আউট ওইরগা ২৯শুবা ওভরদা রন ১৬৪ য়ৌদুনা মেচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৮দা থোইখিবনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কেপ্তেন রোহিৎ শর্ম্মা অমসুং শিখর ধৱননা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুদা রন ৮৬ হাপচিনবা ঙমখি। বোল ৩৯দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৬ য়ৈদুনা রন ৫২ লৌখিবা কেপ্তেন রোহিৎ শর্ম্মা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ অম্বাতি রায়ুদু শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কী ধৱনগনা মখাতানা রন ১৮ হাপচিল্লগা অপূনবা স্কোর অদু ১০৪ য়ৌহনখি।

দিনেস কার্থিক অমসুং অম্বাতি রায়ুদুনা মখাতানা আউট ওইদনা ২৯শুবা ওভরদা ৱিকেট ২খক আউট ওইরগা ইন্দিয়াগী অপূনবা স্কোর অদু ১৬৪ য়ৌখিবদগী মেচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখি। য়ায়ুদু অমসুং কার্থিক আউট ওইদনা রন ৩১/৩১ লৌদুনা লৈখি। সুপর ফোর ষ্টেজদা ইন্দিয়ানা হয়েং বংলাদেশকা লম্বা তৌনগনি। রাউন্দ রোবিন ফোরমেটতা শান্নগদবা সুপর ফোরদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা মেচ অদু পাকিস্টানগা থা অসিগী ২৩দা অমুক শান্নগনি অদুগা অরোইবা লিগ মেচতা আফঘানিস্টানগা সেপ্তেম্বর ২৫দা লম্বা তৌনগদৌরি। খ্বায়দগী মকোক থোংবা টিম অনীনা সেপ্তেম্বর ২৫দা ফাইনেল শান্নগদৌরি।

## ট্রায়ল সেলেক্সন্দা শরুক য়ানবা আর্চরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর আর্চরি এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ্তা আর্চরশিংগী পার্ফোমেন্সকী মতুং ইন্না ওক্টোবর ২৪দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমস ২০১৮দা শরুক য়াদুনা মণিপুর টিম শেম্নবগী ট্রায়ল সেলেক্সন্দা শরুক য়ানবা আর্চরশিং খনখ্রে।

নুপীগী ইন্দিয়ন রাউন্দদা ৱাই এ সীগী পি সোনিয়া, বি সী এ সীগী দল্লিয়ু মলেশ্বরি, এস আই সী এগী ও নাওবি চনু, এম পি এস সীগী এম অরুনা, এস আই সী এগী চিরোম দেবিয়া, ৱাই এ সীগী এস নিরমালা, এম পি এস সীগী ঐচ রাজপ্রিয়ারি, এম পি এস সীগী কে মনাবিদ্যা, সাই আর সীগী এল সোফিয়া, বি সী এ সীগী কে ঐচ মালেমঙানবী, ৱাই এ সীগী এল লিন্থোইঙানবী, ৱাই এ সীগী এস জেনিফর, এম পি এস সীগী বি লুসি, ভি এ এগী এম সঞ্জিতা, ৱাই এ সীগী পৌহোইমরু গোলমৈ অমসুং এ আর এ সীগী এস পি লিভিয়ানি।

নুপাগী ইন্দিয়ন রাউন্দদা এ আর এ সীগী সী ঐচ জোনসন, এস আই সী এগী টি ঐচ লাঙম্বা, এ আর এ সীগী ইজাক সিনাতে, বি সী এ সীগী টি ঐচ হেল্লর, ভি এ এগী কে অর্নোল্ড, বি সী এ সীগী সী ঐচ বোরিস, ভি এ এগী অজিৎ, এফ এ সীগী ঐচ বিজেন্দ্রনাথ, এ আর এ সীগী পি হেরোবা, আই টি এ সীগী ও প্রেম, পি সীগী সী ঐচ টেনিস, এফ এ সীগী এম সুন্দর, পি সীগী দল্লিয়ু বোবোস্না মীতৈ, ভি এ এগী ৱাই নিখিল, এ সী ঈগী জি ইচুচুই রোংমৈ অমসুং এস আই সী এগী এন চীংলেনখোম্বনি।

কম্পাউন্দ ৱিমেনদা সাই আর সীগী পি লিলি চনু, টি ঐচ ইসেম্বী, এম রুপন, এস ঐচ মনোরমা অমদি আর কে সত্যপ্রিয়া, ভি এ এগী সুচিত্রা তৌরাংবম, কে ঐচ প্রভাহিনি অমদি অহন্থেম মেনকা, এ সী ঈগী এল দুলিনা অমসুং ঈ এস য়ুগী দল্লিয়ু নিরুপমানি।

কম্পাউন্দ মেন্দা য়ু এ সীগী এম বিক্রম, জি এ সীগী রামাকান্ত শর্ম্মা, এ আর এ সীগী জি রোবার্ট শর্ম্মা, ভি এ এগী অরৱিন্দ লাইশ্রম, সাই আর সীগী এস রাজেন্দ্রো, জি এ সীগী এন নেলসন, সাই আর সীগী ৱেলসন মীতৈ, এ আর এ সীগী পি জগৎ, এম পি এস সীগী ৱাই নিরঞ্জন, এস এ সীগী সোমোরজিৎ, এ এ সীগী ওইনাম কেনেদি, এ আর এ সীগী আই রিটেস, এন এস এগী এল য়োহেনবা, এস আই সী এগী এন অর্জুন, এম পি এস সীগী সী ঐচ বিমোল অমসুং সাই আর সীগী সুর্জঙানবনি।

নুপীগী রিকর্ভতা এম এস এগী ৱাই অনুপমা, সাই আর সীগী টি ঐচ সনাই, সাই আর সীগী কে প্রমেশ্বরি, ভি এ এগী এম পনোরমা চনু, ভি এ এগী কে এস ঐচ মালেমস্না, সাই আর সীগী লুমিলা ফুংসোক, সাই আর সীগী জি লাঙ্গুইলু অমসুং সাই আর সীগী এল সিমানি।

নুপাগী রিকর্ভতা এ আর এ সীগী এম সুভাসচন্দ্রা মীতৈ, এ আর এ সীগী টি ঐচ সনায়াইমা, এ আর এ সীগী টি ঐচ সনাতোম্বা, সাই আর সীগী দল্লিয়ু লিওনার্দ, এ আর এ সীগী টি সেন মীতৈ, এন এস এগী বোইপু বাইতে, সাই আর সীগী সনামচা পি ঐচ, এন এস এগী কে ঐচ রোহিট, বি সী এ সীগী এন পারিথোই, এফ এ সীগী এম মালেমঙানবা মীতৈ, এন এস এগী এ কে অমরজিৎ, এন এস এগী এম দি অমন অলি, ৱাই এ সীগী হিরোম রোবার্ট, এস আই সী এগী কে এস ঐচ দেবকান্ত, ভি এ এগী ও অশোক অমসুং এন এস এগী দল্লিয়ু জোতিননি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানবগীদমক খল্লবা আর্চরশিংনা অধার কার্দ সবমিট তৌরক্কদবনি। নুপা অমসুং নুপীগী ইন্দিয়ন রাউন্দগী ট্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা, নুপা অমসুং নুপীগী কম্পাউন্দ ইভেন্টকী ট্রায়ল সেলেক্সন্না থা অসিগী ২৩গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা অমসুং নুপা অমসুং নুপীগী রিকর্ভ ইভেন্টকী ট্রায়ল সেলেক্সন্না থা অসিগী ২৩গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ডা. জি এ ইবোপিশক শর্ম্মনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## স্রিকান্ত অমসুং সিন্ধু চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

শাংঝৌ, সেপ্তেম্বর ২০(এজেন্সী)ঃ চাইনাগী সিটি শাংঝৌদা লৈবা ওলিম্পিক স্পোর্টস সেন্টর জিনসেং জিমনেজিয়মদা পাঙথোকপা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮দা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্ত অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু মখোয়-মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দগী মেচশিং মায়পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৭শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্তনা ঙসি থাইলেন্দগী শান্নরোয় সুপানয়ু অভিহিংসানোনবু য়াম্না কন্না লম্বা তৌনখিবদা অহানবা গেম অদু পোইন্ট ২১-১২দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদবু থাইলেন্দগী শান্নরোয় সুপানয়ুনা ফজবা হেল্লকপদগী স্রিকান্তপু পোইন্ট ২১-১৫দা থোইদুনা অহুমশুবা গেমগীদমক শেম শান্নখি। অহুমশুবা অমদি অরোইবা গেম অদু শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী লাকশিন্নবা ঙমদনা য়াম্না কন্না লম্বা থেংনখি। গেম অদু স্রিকান্তনা পোইন্ট ২৪-২২দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় জপানগী কেন্তো মেমোতাগা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই কেন্তো মোমোতানা মহাক্কী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোয় কেন্তা নিসিমোতাবু য়াম্না কোম্না ২১-৯, ২১-৯দা মায়থীবা পীরম্বনি। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাংলূপ্তা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি- চাইনাগী চেন লোং অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্তিং, সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হো অমসুং চাইনিজ টাইপৈগী চৌ টিয়েন চেন অমদি চাইনাগী সি য়ুকি অমসুং হোংকোংগী ঙা কা লোং এঙ্গসনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৩শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি থাইলেন্দগী বুসানন ওংবামরুঙফানগা লম্বা তৌনবদা গেম অহুম শান্নদুনা অকনবা লান্থেং অমা মায়োক্লখি। অহানবা গেম অদু ইন্দিয়াগী সিন্ধুবু থাইলেনগী বুসানননা ২১-২৩দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী সিন্ধুন ফজবা হেল্লক্তুনা ২১-১৩দা থোইদুনা শান্নরোয় অনীম্মক গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা দিসাইদিং গেম অদুদা শান্নরোয় অনীম্মক মখাতানা লম্বা কনখ্রবসু মরুওইবা তাঞ্জাদা সিন্ধুনা হেঞ্জিল্লক্তুনা পোইন্ট ২১-১৮দা থোইদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোয় ৫শুবা সিদেদ চেন য়ুফৈগা লম্বা তৌনগদৌরি। চেন য়ুফৈনা মহাক্কী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়গী সুং জি হ্যুনবু ২১-১৮, ২১-১৫দা মায়থীবা পীরম্বনি। নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি- স্পেনগী কেরোলিনা মারিন অমসুং চাইনাগী গাও ফাঙজি, জপানগী নোজোমি ওকুহারা অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেগোরিয়া মারিস্কা টুনজুং অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোয় জপানগী অকানে য়ামাগুচি অমসুং চাইনাগী হি বিঙজিয়াওনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র অশ্বিনি পোনাপা অমসুং সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি নম্বর ৱান সিদেদ চাইনাগী ঝেং সিৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিওংগী মখুত্তা ১৪-২১, ১১-২১দা মায়থীবা নংখি। অতোপ্পা মিক্স দবলসকী পেয়র প্রনব জেরি চোপ্রা অমসুং এন সিকি রেদ্দি দেনমার্ক্কী মাথিয়াস খৃষ্টিয়েনসনগী মখুত্তা ১৬-২১, ১০-২১দা মায়থীহৌখি। নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং বি সুমিথ রেদ্দি চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র চেন হুং লিং অমসুং ৱাং চি লিনগী মখুত্তা ৯-২১, ১০-২১দা মায়থীহৌদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপাগী অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসতা কিদম্বী সিকান্ত অমসুং পি ভি সিন্ধু খক্ত ঙাইহৌরে।